# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 27-11-2025)**
**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

**১) ইং ২০৩০ গী কম্মনৱেলথ গেমস অহমেদবাদনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকপগী অয়াবা পীখ্রে।**

**২) সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থি হুন্বগী থবক চখ্থবদা লালহৌবা ৫ ফারে।**

**অমসুং**

**৩) কেন্দ্রগী মপান থৌরম মন্ত্রালয়গী ৱাঙাংলোই রন্ধির জৈসৱালনা হায়রি- অরুনাচল প্রদেশ অসি ভারতকী থাদোকবা য়াদ্রবা শরুক অমনি।**

**------**

**কম্মনৱেলথ ঃ ইং ২০৩০ গী কম্মনৱেলথ গেমস অহমেদবাদনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকপগী অয়াবা পীখ্রে। য়ুনাইতেদ কিংদমগী গ্লাসগোদা পাঙথোকখিবা ৭৪ শুবা কম্মনৱেলথ লৈবাকশিংগী জেনেরেল এসেমব্লিনা ৱারেপ অসিগী অয়াবা পীখিবনি। মসিনা ইং ২০১০ দা নিউ দিল্লিনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা গেমসকী মতুংদা অনিরকশুবা ওইনা পাঙথোকপা ওইগদৌরি। ৱারেপ অসিনা ভারতনা ইং ২০৪৬ তা ওলিম্পিক গেমসকী য়ুম্বু ওইনবা হোৎনরিবা অসিদা হেন্না খুদোংচাবা পীরগনি হায়রি। কম্মনৱেলথ স্পোর্টসকী প্রসিদেন্ট ডাঃ রোনাল্ড রুকারেনা ৱাফম অসি লাউথোক্লদুনা হায়- ভারতনা শান্ন-খোৎনবা খক নত্তনা ইনাক খুল্লবা কলা সংস্কৃতি, নহাশিংগী তৌবা ঙম্বা থবক থৌরম কয়া শিংথানিঙাই ওইনা পায়খৎলি।**

কেন্দ্রগী স্পোর্টস মন্ত্রি মন্সুখ মন্দাভিয়ানা হায়- কম্মনৱেলথ স্পোর্টসনা ইং ২০৩০ গী কম্মনৱেলথ গেমস অহমেদবাদতা য়ুম্ফু ওইদুনা পাঙথোকবগী খুদোংচাবা পীরকপা অসি মমল য়াম্লবা তাঞ্জা অমনি । ভারতনা ইং ২০৪৭ ফাওবদা শান্ন-খোৎনবগী পৱার হাউস ওইনবা থৌরাং তৌরিবা অসিদা মসিনা হেন্না খুদোংচাবা পীরগনি হায়না মহাকা ফোংদোকখি। অহমেদবাদ সহরনা ওলিম্পিক গেমস য়ুম্ফু ওইদুনা পাঙথোকবা লমজেলদা শরুক য়াবগা লোয়ননা হৌখিবা চহি ১০ অসিদা সহর অদুদা শান্ন-খোৎনবগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর খোঙজেল য়াংনা শেমগৎলক্লি।

কম্মনৱেলথ স্পোর্টসনা হায়- ইং ২০৩০ দা পাঙথোক্কদৌরিবা গেমস অসিদা পুন্না মশান্না ১৫ দগী ১৭ ফাওবা য়াওরবা য়াই।

অহমেদবাদনা কম্মনৱেলথ গেমস পাঙথোকপগী অয়াবা ফংবদা উপ-রাষ্ট্রপতি সি.পি. রাধাকৃষ্ণন, প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি, গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহ য়াওনা লুচিংবা কয়ানা নুংঙাইবা ফোংদোরক্লি।

পুলিস (এল)ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থি হুন্বগী থবক লেপ্তুনা চখরি। ঙরাং মণিপুর পুলিসনা ইম্ফাল ইষ্টকী পোরোমপাৎতগী কে.ৱাই.কে.এল (সোরেপা)গী মীওই অমা ফাখি। মহাক লুপ অসিগীদমক মীওইশিং রিক্রুট তৌবদা চেন্নবনি হায়রি।

মণিপুরগী পুলিসকী চেরোল অমনা হায়- সেক্যুরিতি ফোর্সনা হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ইম্ফাল ইষ্টকী পোরোমপাৎ পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা তোপ অৱাং লৈকাই, তোপ দুসেরাদগী প্রিপাক (প্রা)গী মীওই অমা ফাখি। হৌখিবা তাং ২১ দা মৈতৈ লান্মী নাউতিবোই হায়বা ফেসবুক শিজিন্নবা মীওই অমনা শঙাই ফেষ্টিভেলগা মরী লৈননা ভিদিও থাগৎকখ্রবা মতুং মণিপুর পুলিস অমসুং অসাম রাইফলসনা থি হুন্বগী থবক চখবদা কে.সি.পি (এম.এফ.এল)গী মীওই অহুম ফারে। মখা তানা থিজিনবগী থবক চখরি।

মোটোর ভেহিকলগী চৎন কাংলোনশিং ঙাক্তনা চৎপা মীওইশিংগী মথক্তা পুলিসনা অকনবা থবক লৌখৎলি। ঙরাং চলান ১৯ কক্তুনা লুপা লিশিং ৩১

হেন্না খোমগৎখি। টিন্টেদ ফিলম নপলম্বা গাড়ি ৫ দগী ফিলমশিং অদু লৌথোকখি। নেসনেল হাইৱে-৩৭ দা অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা নোংমদা তঙাইফদনা চংবা পোৎলমশিং পুবা গাড়ি ৬৮ পুশিল্লকখ্রে।

এআর (এল)ঃ অসাম রাইফলসনা মাকলং খুলদা লৈবা মল্টি স্পেসিয়েলিতি স্পোর্টস ফিল্ডদা এল.ই.দি লাইটশিং খুৎশিন্নখ্রে। মাকলং য়ুথ দিভলপমেন্ট ক্লবকা খুৎশমদুনা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা ১৮ শুবা অসাম রাইফলসকী পার্সোনেলশিংগা খুঞ্জাশিংগা লৈনরিবা মরী হেন্না ফগৎহন্নবগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নখি হায়রি।

স্পোর্টস (এল)ঃ শান্ন-খোৎনবগী খুত্থাংদা অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংবু হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা পান্দমদা ঙরাং চুরাচান্দপুর জিলাদা য়ান্ন-ৱারোল সহি তৌনখ্রে। আর.ই.সি ফাউন্দেসন্না দি.আর.দি.এ চুরাচান্দপুর ঙরাং জিলা অসিদা মল্টিপরপজ হোল কম ইন্দোর ষ্টেদিয়ম শানবা য়ান্ন-ৱারোল অমা সহি তৌনখিবনি।

কোর্পোরেট সোসিয়েল রেস্পোন্সিবিলিতিগী মখাদা লুপা কোতি ৫ রোম চংনা শেমগৎকদৌরিবা ষ্টেদিয়ম অসিদা বেদমিন্টন, ভোল্লিবোল অমদি অতৈ মশান্নশিংগী খুদোংচাবা লৈগনি। য়ান্ন-ৱারোল অদু ঙরাং গুরুগ্রামদা লৈবা আর.ই.সি কোর্পোরেট ওফিসতা সহি তৌনখিবনি। থৌরম অদুদা চুরাচান্দপুর জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিসনার ধরুন কুমার শরুক য়াখি।

ইএ ঃ কেন্দ্রগী মপান থৌরম মন্ত্রালয়গী ৱাঙাংলোই রন্ধির জৈসৱালনা হায়রি- অরুনাচল প্রদেশ অসি ভারতকী থাদোকবা য়াদ্রবা শরুক অমনি।

নিউ দিল্লিদা ঙরাং পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা শ্রী রন্ধির জৈসৱালনা হায়- ভারত অমসুং চাইনা অনিগী লৈনরিবা মরী হেন্না ফগৎহন্নবা অমদি চাওখৎপা পুরকবা হোৎনবদা লৈবাক অসিগী ঙমখৈ পরিংদা তংদু লৈতাবা, শান্তি থম্বা হায়বসি য়ামা তঙাইফদবা অমনি। মমাং চহিগী ওক্তোবর থাদগী

হৌদুনা লৈবাক অনিনা ঙমখৈ পরিংদা শান্তি থমনবা হোৎনমিন্নদুনা লাক্লি। অরুনাচল প্রদেশতগী নুপী অমা য়ু.কে তমা চৎপগী লম্বীদা সংহাই এয়ারপোর্টতা চাইনানা চখ্থরকখিবা থৌওং অসিনা লৈবাক অনিনা মতম শাংনা অমগা অমগা থাজবা পুরকবা হোৎনরিবা অসিদা করিগুম্বা মখল অমত্তগী অকায়বা পীবা ঙমলোই।

মনকিবাট ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী পুকিংগী ৱা, মনকি বাটকী ১২৮ শুবা ইপিসোদ থা অসিগী ৩০ নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ দা অকাশবানিগী থোঙদা শন্দোক্কনি।

থৌরম অসি এ.আই.আর ন্যুজ, দি.দি. ন্যুজ, পি.এম.ও. অমসুং ইনর্ফোমেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়গী য়ু-ট্যুব চেন্নেলশিংদসু লাইফ ষ্ট্রিমিং তৌগনি। থৌরম অসি এল.আর.এস চুরাচান্দপুরদসু শন্দোক্কনি। মসিগী মণিপুরী ৱাহন্থোক প্রধান মন্ত্রিনা ৱা ঙাংবা হেক লোইবগা অকাশবানি ইম্ফালনা শন্দোক্কনি। মসি নুমিৎ অসিমক্কী নুমিদাং পুং ৮ দসু অমুক হন্না শন্দোক্কনি। দাইলেক লোলশিংদনা মথংগী নুমিৎতা শন্দোক্কনি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

ষ্টেটকী থাক্তা কন্সটিট্যুসন ডেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে, ভাইওলেন্স থাদোক্লগা ফুরুপ মশেল ইকায় খুমবা থমদুনা অপুনবগী শক্তম শাগৎমিন্নশি হায়না রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা ফোংদোকখিবা ৱাফম সনালৈবাক্তা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

কন্সটিট্যুসন ডে থৌরম পাঙথোকখিবগী পাউ অসি ঙসি ফোংবা পাউচে অয়াম্বদা তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা ফোংনরি।

পোমফমদা- এরিয়েল সর্ভে চখ্থবদা কৌব্রু চীং মনাক্তা লম একর ৭০০ লোমদা পোপ্পি পাক শন্না থাবা উরে হায়না হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা ফোংদোকখিবা ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি।

স্মার্ট সিটি মিসন-ইম্ফালগী অকোইবদা মেকানাইজ রোটরি পার্কিং মরি শেমগৎপগী থবক পায়খৎলি হায়বা পাউ অমা পাউচে অসিদা অনিসুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনদা লম একর ৬৭৫ রোমদা থারম্বা পোপ্পি পাম্বীশিং মাংহনখ্রে হায়বা পাউ অমা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি। মীতোপা মখোয়গী মপা মপুগী লমনি হায়না ক্লেম তৌরক্লে, হাইৱে পরিংশিংদা অনৌবা খুল কয়া চোংথোরক্লে হায়না এম.এল.এ- দিপু গাংমৈনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অমসু পাউচে অসিদা অনিসুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

নহারোলগী থৌদাংদা-কন্সটিট্যুসনেল দ্যুতিশিং মপুং ফানা পাঙথোক্তুনা লমদম অসিগী মীয়ামা মশাগী রাইট ফংনবা হোৎনগদবনি হায়না রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা ফোংদোকখিবা ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি।

শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনদা- তম্পাক্তা ফবগুম পুলিসনা চীংদসু থৌনা ফবীয়ু- আই.দি.পিশিং হায়বা কেপসুল অসিগী মখাদা আই.দি.পিশিংনা মৈরাগী রেল্লি চৎখ্রে হায়বা পাউ অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

হুইয়েন লানপাউদা- অমত্তা ওইমিন্ননবা হেন্না কন্না হোৎনবীয়ু, ভাইওলেন্সকী থবক রিজেক্ট তৌবীয়ু হায়না রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা ফোংদোকখিবা ৱাফম অমা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

পিপলস ক্রোনিকলদা- ইম্ফালদা লম্বী চৎথোক চৎশিনদা চিল্লিবা অসি খরা মখৈ হন্থহন্নবা অনৌবা পার্কিং প্রোজেক্টশিং পায়ৎলি হায়বা পাউ অমা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

মণিপুর মেলদা- ১৫ শুবা মণিপুর পোলো ইন্তরনেসনেলগী মঙানি চনবা নুমিৎতা ইন্দিয়া টিম-বি মণিপুরনা কলম্বিয়াবু পাঞ্জল ১০-৩, অদুগা ইন্দিয়া-এনা ছত্তিসগরবু পাঞ্জল ৮-৪ দা থোইখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

গানফিউ মেলদা- মণিপুরদা ২০২৫ অসিদা নুপী অমসুং অঙাংশিংদা চথুবা ভাইওলেন্সকী কেস ৯৮ থেংনখি হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

তমেংলোং টাইম্‌সতা- ওল জেলিয়াংরোং ষ্টুদেন্ট য়ুনিয়নগী প্লাতিনম জ্‌বিলি থৌরম পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউনা অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা-নেসনেল হায়ৰে পরিংদা অনৌবা খুল কয়া থোরক্লে, মীতোপা এন্সেত্রেল লেন্দনি হায়না ফোংদোরক্লে হায়না বি.জে.পিগী এম.এল.এনা ফোংদোকখিবা ৱাফম পাউচে অসিগী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

------